# মোগাদিসুগী কৈথেলদা কার বোম পোকখায়বদা মীওই ৩২ শিখ্রে, এটেক্কর ফানবা রিৱার্দ লাউথোকখ্রে

মোগাদিসু, ফেব্রুৱারী ২০ :
সোমালিয়াদা মীখল পাঙথোক্তুনা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খনখ্রবা মতুং ঙসি কেপিটেল মোগাদিসুগী মী চিনবা কৈথেল অমদা কার বোম অমা পোকখায়বদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৩২ শিখ্রে। অনৌবা প্রসিদেন্ট মোহম্মদ অব্দুলাহি মোহম্মদনা ব্লাষ্ট অদুদা শোকখিবশিংগী ফীভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা এটেক অদুবু প্লান তৌখিবা মীওইশিংদুবু ফাননবগী পাউ পীবদা দোল্লর ১০০,০০০ গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

কেপিটেলগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা মী চিনবা মার্কেটপ্লেস অমদা বোম্মিং এটেক অদু চথখিবনি হায়না পুলিসকী কেপ্টেন মোহম্মদ হুশৈইননা হায়খি।

‘মদু মীচমশিং হাৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা অকিবগী মশক ওইরবা অমসুং অথীরবা এটেকঅমনি’ হায়না মহাক্না থৌদোক থোকফমদুদগী ফোঙদোকখি। সাব্রিয়ে অব্দুলাহি কৌবা এম্বুলেন্স দ্রাইভর অমনা এসোসিয়েটেদ প্রেসতা হায়খি মদুদি, অশোকপা ভিক্তিম খরা হোস্পিটালশিংদা পুখৎপগী লন্বীদা শিখি।

‘অশোকপা কয়া হকচাং ফীভম থীনা চাকথেকখি, অতৈ কয়ানা মশক খঙবা ঙম্বগী ৱাংমদা চাকথেকখ্রে’ হায়না অব্দুলাহিনা হায়খি।

পোৎ লৈবা মীওইশিং অমসুং লল্লোন-ঈতিক তৌবা মীওইশিংনা মার্কেট মনুংদা পুল্লিঙৈদা রেষ্টোরেন্ট অমগী মনাক্তা খাম্বা কার অমনা ব্লাষ্ট অদু থোকহনখিবনি’ হায়না দিষ্ট্রিক্ট কমিস্নর অহম্মদ অব্দুলেনা হায়খি।



মোহম্মদ হাজি কৌবা বোম মচেৎনা পানবদগী শোক্লবা শা কক্পা মীওই অমনা ব্লাষ্ট অদুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লবা ফি-রোলগী দুকান অমদা মখুৎ থিনখি। ‘কনাগুম্বা অমনা মফমসিদা কারদু খাল্লগা চৎখ্রবা মতুংদা মদুদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিভশিংদু পোকখায়হনখিবনি।’ দুকান্দুগী লেমহৌবা শরুকশিং ওইনা উ মচেৎশিং অমসুং মেটল মচেৎ-মকায়শিং লৈমায়দা তাবা উখি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ঈ তৈরবা হকচাংশিং অমসুং অশোকপা ভিক্তিমশিং এম্বুলেন্সশিংদা হাপচিল্লিঙৈ তাল্লত্তা কৈথেলদুগী মপানদা নুপীশিংনা কপ লাউনখি।

বোম মচেৎনা পানবদগী শোক্লবা মমান্নবা অমবু মতেং পাংলিবা অলি মেরে কৌবা গভর্ণমেন্টগী লান্মী অমনা ‘মদু থম্মোয় শোক্লিঙাই ওইরবা মীশি-মীনাগী থৌদোক অমনি’ হায়খি।

মপাঙ্গল লৈরবা ব্লাষ্ট অদু ফেব্রুৱারী ৮ দা সোমলিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খনখিবা মতুংদা চথরকখিবা অহানবা অচৌবা এটেক্নি। কনাগুম্বা গ্রুপ অমৎতনা শাথিরবা এটেক্তু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌরকখিবা লৈত্রবসু সোমালিয়াগী ইস্লামিক এক্সত্রিমিষ্ট রেবেলশিং ওইরিবা অল-সাবাবনা চথখিবা ওইরমগনি হায়না থাজনরি।

হোস্পিটালদা চত্তুনা অশোকপশিংদু য়েংশিনবগী মথক্তা ব্লাষ্ট অদুবু কন্দেম তৌরদুনা প্রসিদেন্ট মোহম্মদনা ত্বীটরদা হায়খি মদুদি, থৌদোক অদুনা অল-সাবাবকী মীনুংশি য়াওদবগী মতৌদু উৎলে।

কার বোম এটেক অদু পাঙথোক্কদবা পুং খরগী মমাঙদা অল-সাবাবনা অনৌবা প্রসিদেন্ট অদুবু ‘অশেংবা লাইনিং লম্বী থাদোক্লবা মীশক অমনি’ হায়না ফোঙদোকখি অমসুং মহাক্কী গভর্ণমেন্টগী মায়োক্তা মখা তানা লাঞ্জং চঙশিনখিগনি হায়না ৱাশকখি।

ইটালিয়ন ফোরন মিনিষ্টর অঞ্জেলিনো অল্ফানোনা কার বোম এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে। ‘সোমালিয়াদা তং-তাবা ফীভম অমা লাকহন্নবা পায়খৎলিবা প্রোসেস অদুদা ইটালিনা লৈবাক অসিগী মায়কৈদা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি’ হায়না অল্ফানোগী ৱারোল অমনা হায়খি।

# অফঘান ইন্টেলিজেন্স এজেন্সি ইন্দিয়ানা শান্নে : পর্বেজ মুশারফ

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ২০ :
অফঘানিষ্টানগী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সি নেসনল দিরেক্টরেট ওফ সিক্যুরিটি (এন দি এস) অসি ইন্দিয়ানা শান্নখি অমসুং পাকিষ্টানদা লৈরিবা টেরর গ্রুপশিংবু খুদোংচাহন্নবা খুৎলায় ওইনা শীজিন্নখি হায়না পাকিষ্টানগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পর্বেজ মুশারফনা ফোঙদোকখ্রে হায়না ঙসি মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

‘মসিগী ওপরেসন (জর্ব-ঈ-অজব) অসিনা টেররিষ্ট কেম্পশিং অমসুং মখোয়গী থবক থৌওংশিংগী শিনফম খুদিংমক থুগায়খি। মখোয়বু ইন্দিয়ন স্পাই এজেন্সিনা এন দি এসকা খুৎশম্নদুনা মতেং পাংখি। ইন্দিয়ন স্পাই এজেন্সিগী পান্দমদি ত্রাইবেল এরিয়াশিংগী তংদু-লৈতাবগী ফীভম থুগায়বনি’ হায়না মুশারফকী ৱারোল পল্লদুনা ঙসি পাকিষ্টানগী টিভি চেন্নেল অমনা হায়খি।

হান্নগী পাকিষ্টান মিলিটরি চীফনা হায়খি মদুদি, ওপরেসন জর্ব-ঈ-অজবকী অশোয়বা অমত্তা লৈতেমরমদি মসি নোর্থ ৱাজিরিষ্টানগীদমক অখন্নবা পাঙথোকপনি।

‘লাস্কর-ঈ-জাংবিনা মতম পুম্বদা কাঙলুপ নাইবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক তৌদুনা লাক্লি অমসুং গ্রুপ অসি ক্বেটাদা মাইনোরিটিশিং হাৎপদা চাউনা চেন্নে’ হয়না মুশারফনা হায়খি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, মহাক্না লৈবাক অদুগী মিলিটরি চীফ অমসুং প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈগী মতমদা পাকিষ্টাননা খোঙথাং খুদিংমক্তা মায় পাকখি।

‘ঐখোয়না ইন্দিয়াবু ৱারী শানবগী টেবলদা পুরক্তুনা হান্না ইন্দিয়ানা খন্নসি য়াদবা ইস্যু কয়া খন্নমিন্নবা হোৎনখি’ হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাক্না পৱার পায়রিঙৈ মনুংদা আউটফিটশিং অসিবু তকথোকখিদ্রিবা করিগীনো হায়না হংবদা মহাক্না টেররিষ্ট গ্রুপশিং অসি মহাক্কী মতমদদি লৈতে হায়খি।

‘অসিগুম্বা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং অসি ঐহাক্না ফম থাদোক্লবা মতুংদা থোক্লকখিবনি। কাশ্মিরগী মতাংদা ঐখোয়না মহয় য়ানগদবা ষ্ট্রেটেজি অমা পুথোকখি, পোইন্টমরিগী এজেন্দা অমদা ঐখোয়না কাশ্মির ইস্র লৈখায় তাবা ঙম্বগী ফীভম নক্না লৈখি। ঐখোয়গী পোলিসী মায় পাকখি; অমেরিকা অমসুং চাইনা ঐখোয়গা মীচং ওইনখি।

কুমজা ২০০৮ গী মুম্বাই টের এটেক্কী মাষ্টরমাইন্দ অমসুং জামাট-উদ-দাৱাগী চীফ হাফিজ সায়ীদপু ফাবগী মতাংদা মুশারফনা হায়খি, হাফীজ সয়ীদতি টেররিষ্ট নত্তে।

‘হাফীজ সয়ীদ তি টেররিষ্ট অমা নত্তে হায়না লৌগনি মরমদি মহাক্না অচৌবা চেরিটি অমা রন তৌরি; মখোয়না পাকিষ্টানদা য়ুহা হাবা মতুং অমসুং ঈশিং ঈচাউ মতুংগী রিলিফকী থবকশিংদা কন্ট্রিব্যুট তৌই।’

মখা তারদুনা রিপোর্ট অদুনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, হাফীজ সয়ীদনা টালিবান অমসুং অল-কাইদাগী মায়োক্তা লৈখি। লৈবাক অসিনা হীরমসিগী মতাংদা চমম্নবা তৌরোইদবনি। ইন্দিয়ানা হাফীজ সয়ীদকী গ্রুপকী মায়োক্তা লৈরিবগী মরমদি মখোগী সপোর্টরশিংনা কাশ্মিরদা চত্তুনা ইন্দিয়ন আর্মিগা লান্থেংনৈ।

# টিভি ফুটেজনা নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোং নামদা অতম্মনা এটেক তৌবগী মওং উৎখ্রে

কুলা লম্পুর, ফেব্রুৱারী ২০ :
জপানিজ টেলিভিজন্না ফংখিবা সিক্যুরিটি কেমেরা ফুটেজনা হৌখিবা চয়োলদা নোর্থ কোরিয়াগী দিক্টেটরগী পোকমিন্নদবা ময়াম্বদা চেকশিন্না অমসুং অতম্মনা এটেক তৌখিবগী মওং উৎখ্রে। চৈরকসিদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মালেসিয়ানা নোর্থ কোরিয়াদা লৈবা মখোয়গী এম্বেসেদর লৌথোকখ্রে। মীহাৎ অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা টেন্সন হেনগৎলক্লি ঙৈদা মালেসিয়ানা নোর্থ কোরিয়াদগী এম্বেসেদর লৌথোকপগী খোঙথাংদু লৌখৎলক্লিবনি।

তোয়না মশেল-মরাং উখিবা ফুজি টিভিনা ফংখিবা ফুটেজ অদুনা কিম জোং-নামনা কুলা লম্পুর এয়রপোর্টকী বজেট টর্মিনেলদা লৈবা টিকেটিং কিওস্ক অমদা লেপ্তুনা লৈরিঙৈদা নুপী অনীনা মনাক্তা চঙশিনবগী মওং উৎখি।

হৌজিক ফাদুনা লৈরবা ভিয়েটনামিজ নুপীদুনি হায়না থাজবা নুপী অমনা মতুং লোমদগী চঙশিনখি অমসুং করিগুম্বা পোৎশক অমা সেক্কেন্দ খরা নামগী মচিনদা থম্বগী মওং উখি। মদুগী মতুংদা নুপীদু মফমদুদগী লৈথোক্লগা তোঙানবা মায়কৈ অমদা তহা-তহাবগী মতৌ উৎতনা চৎখি।

অহেনবা ফুটেজনা মতম শাংনা নোর্থ কোরিয়াবু লৈঙাক্লকখিবা ইমুং অদুগী মচা অমা ওইরিবা কিম জোং-নামনা এয়রপোর্টকী ৱার্করশিং অমসুং সিক্যুরিটি ওফিসলশিংগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা মহাক্কী মমিৎতা থিন্দুনা মখোয়গী মতেং লৌনিংবগী মওং উৎখি। মদুগী তুংদা মহাক মখোয়গা লোয়ননা এয়রপোর্টতুগী ক্লিনিক্তা চৎমিন্নখি।

কিমনা মহাক্কী ময়ুম লৈরিবা মাকাওদা পাইগদবা ফ্লাইট অমদা তোংনবগীদমক্তা এয়রপোর্টতুদা থুংলখিবা মতমদা সিক্যুরিটি কেমেরা কয়ানা লৌখিবা ভিদিও ফুটেজ অদু করম্না ফংখিবগে হায়বদু ফুজি টিভিনা ফোঙদোকখিদে।


মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরবা কিম এটেক অদুগী মতুং মতম পংকান কান্নদনা মশাদা সিজর অমা লাক্লবা মতুং হোস্পিটাল অমদা পুখৎনবা পুরিঙৈদা লমখাংদা শিখি হায়না মালেসিয়ন ওফিসলশিংনা হায়রি।

মালেসিয়াগী নেসনল পুলিসকী দেপ্যুটি চীফ নুর রশিদ ইব্রাহিমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখি মদুদি, ‘কিমনা এয়রপোর্টকী কষ্টমর সার্ভিস ৱার্কশিংদা মশক খঙদবা নুপী অনীনা মহাক্কী মমায়দা মহী অমনা নালমখি অমসুং মহাক মকোক ঙাওরে হায়না তল্লমখি।’

কিমনা হৌখিবা চয়োলদা শিখিবদগী মালেসিয়াগী ওথোরিটিশিংনা অতম্মনা খুৎনেক্তা চথখিবা মীহাৎ মানবা থৌদোক অদুগী অকুপ্পশিংদু অমগা অমগা তাইশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি।

# প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকা য়ানদবদগী এদভাইজর রিএসাইন তৌখ্রে

ৱেষ্ট পাম বিচ, ফ্লোরিদা, ফেব্রুৱারী ২০ :
নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী সিনিয়র এদভাইজর অমা মহাক্কী হান্নগী নেসনল দিফেন্স য়ুনিভর্সিটিগী থবক্তা অমুক হঞ্জিনহনখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সপার্সন অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা কনফার্ম তৌখ্রে। ত্রম্পকী লেটিন অমেরিকান পোলিসীশিংবু ক্রিটিসাইজ তৌরুবদগী মহাকপু নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী এদভাইজর ওইরম্বদগী হান্নগী মহাক্কী থবক্তা অমুক হন্না থাজিনখিবনি হায়রি।



ক্রেগ দিয়ারিবু ইরাই নুমিৎতা নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ৱেষ্টর্ন হেমিস্ফেয়র দিভিজনদা সিনিয়র এদভাইজর অমগী থৌদাং লৌরম্বদগী মহাক্কী হান্নগী পোজিসনদা অমুক থাজিনখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সপার্সন সারাহ সেন্দর্সনা হায়খি। ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনা দিয়ারিবু এন এস সিদা এসাইন তৌখিবনি।

শগোলশেল নুমিৎতা ৱাশিংটনগী ৱিলসন সেন্টরদা স্পীচ অমা পীবা মতমদা দিয়ারিনা ত্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসনা লেটিন অমেরিকান পোলিসীশিংবু হেন্দল তৌবগী মওং ক্রিটিসাইজ তৌখি। মহাক্না হ্বাইট হাউসকী থবক খুৎতৌ অয়াম্বা ক্রিটিসাইজ তৌখি হায়না পোলিটিকোনা ছোর্স অমদা য়ুম্ফম ওইরদুনা হায়খি।

সি এন এননা খোঙথাং অদু কনফার্ম তৌখিদে লোয়ননা দিয়ারিনসু কমেন্ট পীয়ু য়াখিদে।

দিয়ারিগী রিএসাইনমেন্টদুগী মতাংদা হংবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা সেন্দর্সনা হায়খি মদুদি, প্রসিদেন্ট দোনাল্ডগা য়ানদবা মীশিংদি মহাক্কী হ্বাইট হাউসতা থবক তৌবা য়াদে।

# রাখিনেদা লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্নবদা ম্যান্মার লান্মীশিং অশোক-অপন নংখ্রে

য়াঙ্গোন, ফেব্রুৱারী ২০ :
বাংলাদেশকা তাইনবা ঈরাং কনবা রাখিনে ষ্টেটতা মিলিটেন্টশিংগা খুৎ থোক্নবদা ম্যান্মারগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মেম্বর অনী অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ম্যান্মারগী ষ্টেট কাউন্সেল্লরগী ওফিসনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদুনা লমদম অদুদা তং-তাবগী ফীভম লাক্লে হায়বা গভর্ণমেন্টগী ক্লেমদা চিংনবা পোকহল্লে হায়রি।

গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবা অমদা নোদর্ন রাখিনে ষ্টেটতা তং-তাবগী ফীভম লাক্লে অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী মথক্তা থা মরি চুপ্পা ওপরেসন অমা চথরকপদু লোইশিল্লে হায়খি।

সিক্যুরিটি পোষ্টশিংদা চথরকখিবা এটেকশিংদা পুলিসমেন মাপন শিখিবদগী সিক্যুরিটি ওপরেসন অদু চথরকখিবনি।

য়ু এননা পীবা এষ্টিমেটশিংগী মতুং ইন্না, এটেকশিং অমসুং মতুং তারকপদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ওপরেসনশিং চথবা হৌখিবদগী রোহিংয়া ৬৯,০০০ বাংলাদেশতা চেনশিনখ্রে। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়খি মদুদি, সিক্যুরিটি ক্রেকদাউন অদু মীওইবগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিং অমসুং কাঙলুপ অমবু পুংমুৎ মুখৎনবা হোৎনবগী থৌওংগা মান্নবা য়াই।

বাখিদোং টাউনসিপকী মাইল পোষ্ট ৫৬ অমসুং ৫৭ কী মরক্তা বোর্দর ফেন্সিং তৌনবা থবক শূরিবা শিন মীশিংবু ঙাক শেল্লিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা অমুবা য়ুনিফোর্ম শেৎপা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওই ৩০ রোম্না এটেক চথরকখি। খুৎলায় পায়বশিংদু বাংলাদেশকী মায়কৈরোমদা লৈবা চীংশিংদা পোজিসন লৌদুনা লৈবা কাঙবুশিংনি হায়না ষ্টেট কাউন্সেল্লরগী ওফিসকী ৱারোল অদুনা ফোঙদোকখি।

খুৎ থোক্নবদুদা খুৎলায় পায়বা গ্রুপতুগী মেম্বর কয়া শোকখিবগে নৎত্রগা শিখিবগে হায়বদু খঙনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মখা তানা পাউ লৌরি হায়না অতেনবা ৱারোল অদুদা কাউন্সেল্লরগী ওফিসনা হায়খি। বাংলাদেশকী বোর্দর গার্দশিং খুদক্কী ওইনা কন্টেক্ট তৌবা ঙমখিদে।

ওক্টোবর ৯ দা পুলিসতা এটেক তৌখিবদু মপানগী মিলিটেন্টশিংগী মতেং ফংবা রোহিংয়াশিংগী খুৎনি হায়না ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা মরাল শীখি তৌইগুম্বসুং টেররিষ্টশিংনি হায়রিবা এটেক্করশিংদুগী মরমদদি থোইদোকপা ৱারোল পীখিদে।

ওক্টোবরগী এটেকশিংদুদা চেন্নবা রোহিংয়া মুস্লিমশিংগী গ্রুপ অমা সাউদি অরাবিয়া অমসুং পাকিষ্টানগা লিঙ্কশিং লৈনবা মীশিংনা মকোক ওই হায়না ইন্টরনেসনল ক্রাইসিস গ্রুপ অদুনা হৌখিবা চহীদা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমদা হায়খি।

নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবী ওং সান সু চিগী গভর্ণমেন্টনা পাক্কন্না মী হাংপা অমসুং রোহিংয়া মুস্লিম নুপী কয়াদা গেং রেপশিং চথবা য়াওনা রাখিনেদা মীওইবগী হক খোঙ্গাউনবগী থৌওংশিং চথখি হায়বা এলিগেসনশিং য়াখিদবগা লোয়ননা মিলিটরি ওপরেসন অদু লোনা য়াবা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি কেম্পেয়ন অমনি হায়খি।

# কলম্বীয়াগী বুলরিংদা বোম পোকখায়বদা পুলিস য়াওনা মীওই ৩০ রোম শোক্লে

বোগোটা, ফেব্রুৱারী ২০ :
কলম্বীয়াগী কেপিটেল বোগোটাদা নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা অয়াম্বনা সিটি অসিদা লৈবা বুলরিং অমা গার্দ তৌরিবা পুলিস কাঙবুশিং ওইদুনা মীওই ৩০ রোম শোকখ্রে। বুলরিং অদু হৌখিবা থাদা নৌনা অমুক হাংদোকখিবা মতমদা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌনখিবনি হায়রি।



বোম শীজিন্নদুনা চথখিবা এটেক অসি ঐখোয়না কন্দেম তৌই। মসি পান দম অমা ফংনবা কা হেনবা থৌওং চথবা অমনি। থৌদোক অদুদা পুলিস ওফিসর খরা শোক্লে হায়বগী পাউ ফংলে। শিবগী পাউদি ফংদে’ হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্টর জুৱান ফার্নান্দো ক্রিষ্টোনা ত্বীটরদা ফোঙদোকখি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রনা হায়খি, থৌদোক অদুদা মীচম ২৬ শোকখ্রে, মখোয়গী মনুংদা অনীদি মীচমনি। অমরোমদা সিটিগী হোল অদুনা অশোকপশিংগী মশিং মীচম মরি য়াওরগা ৩০ নি হায়না ফোঙদোকখি।

অশোকপশিংদুগী মনুংদা মীওই তরুক সর্জরি তৌবগী তঙাই ফদবা লৈখি অমসুং পুলিস মরি মমিৎ তাংবগী ফীভমদা লৈ হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর লুই কার্লোস ভিনেগামনা অশোকপশিং লায়কন্নরিবা হোস্পিটালদা চত্তুনা মখোয়গী ফীভম য়েংশিল্লুরবা মতুংদা পাউমীশিংদা হায়খি।

এক্সপ্লোজন অদু মাকারেনা দিষ্ট্রিক্টকী প্লাজা সান্টামারিয়া বুলরিং মনাক্তা থোকখি।

বোম পোখায়রিবা মফমগী অকোয়বদু পুলিসনা মী চঙহন্দনা থমখি অমসুং পুলিসকী বোম এক্সপার্টশিংনা মফমদুদা তারিবা অকায়-অতৈইশিং য়েংশিনখি।

সিটিগী হান্নগী লেফটিষ্ট মেয়র গুষ্টাঙো পেত্রোনা কুমজা ২০১২ দা থিংজিনখিবা বুলরিং অদু কলম্বীয়াগী কন্সটিট্যুস্নেল কোর্টনা নৌনা হাংদোক্লবা ওর্দর তৌখি।

হৌখিবা জান্যুৱারী ২২ দা বুলফাইট হৌহনখিবা মতমদা মীওই কয়ানা বুলরিং অদুদা প্রোটেষ্ট তৌনখি। অসুম্না প্রোটেষ্ট তৌখিবদগী বুলফাইট তৌবা নোংমাইজিং খুদিংগী পুলিসনা মফমদু কন্না গার্দ তৌরকখি।

সিটিগী মেয়র এনরিক পেনালোসানা হেলিকোপ্টর তোংদুনা মফমদুবু য়েংশিল্লবা মতুংদা হায়খি, এরিয়া অদু সিক্যুর ওইরে। হান্না প্লান তৌখিবগী মতুং ইন্না বুলফাইটসু কায়দনা চথরে।

‘বুলফাইট য়েংলিবা মীশিংনা মফমদুদা অকিবা য়াওদনা চৎপা য়ারগনি’ হায়না পেনালোসানা ত্বীটরদা ফোঙদোকখি। ‘টেররিষ্টশিংনা ঐখোয়বু কিহনবা ঙম্লোই অমসুং মখোয়বু ফাননবা ঐখোয়না লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎলগনি।’

ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী এক্সপ্লোজন অদু কনানা পাঙথোক-খিবগে নৎত্রগা এন্টি-বুলফাইট এক্টিভিষ্টশিংবু চিংনবা য়াবগী মওং লৈব্রা হায়বগী মতাংদদি পনখিদে।

নোংমাইজিংগী নুংথিলদা মেয়রগী ওফিসনা ইমরজেন্সি সিক্যুরিটি মীফম অমা পাঙথোকখি।

‘ঐখোয়না ক্রিমিনেলশিং অসিবু ফাননবা কোইতান তান্নগনি। ঐখোয়দা লৈজরিবা উপায় খুদিংমক শীজিন্নদুনা মখোয়বু তান্নগনি’ হায়না মীফম অদু লোইরবা মতুংদা পেনালোসানা হায়খি।




## EMPLOYMENT NEWS

### Lok Sabha Secretariat Recruitment – 08 Parliamentary Interpreter Vacancies – Last Date 15 March 2017

Lok Sabha Secretariat invites applications for the post of 08 Parliamentary Interpreter Grade-II (Group ‘A’ Post) in Lok Sabha Secretariat on Direct Recruitment basis. Apply Before 15 March 2017.

Advt. No. : 02/2017

**Lok Sabha Secretariat Job Details :**

Post Name : Parliamentary Interpreter
No of Vacancy : 08 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 5400/-

**Eligibility Criteria for Lok Sabha Secretariat Recruitment :**
Educational Qualification : Master’s degree in English from a recognised university with medium of Hindi language up to Degree Level OR Master’s degree in Hindi from a recognised university with medium of English language up to Degree Level.

Nationality : Indian
Age Limit : 27 years as on 15.03.2017

**Job Location : Delhi**

**Selection Process :** Selection will be based on Oration Test/Written Test/Simultaneous Interpretation Test/ Personal Interview.

**Application Fee :** There is no Application fee.

**How to Apply Lok Sabha Secretariat Vacancy :** Interested candidates may apply in Prescribed application form along with self-attested copies of necessary certificates/document, copies of certificates/ documents send to The Joint Recruitment Cell Room No.521, Parliament House Annexe, New Delhi-110001 on or before 15.03.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Lok Sabha Secretariat recruitment Application form : 15.03.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement & Application form Link : http://164.100.47.193/JRCell/Module/Notice/ADVT%202%202017.pdf

### Lok Sabha Secretariat Recruitment 2017 – 16 Warehouseman, Junior Proof Reader & Printer Vacancies – Last Date 27 March

**Lok Sabha Secretariat Recruitment 2017**

Lok Sabha Secretariat invites applications for the post of 16 Warehouseman, Junior Proof Reader & Printer on Direct Recruitment basis. Apply Before 27 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 03/2017

**Lok Sabha Secretariat Job Details :**

Post Name : Warehouseman
No of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2200/-
Post Name : Junior Proof Reader
No of Vacancy : 06 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2800/-
Post Name : Printer
No of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2800/-

**Eligibility Criteria for Lok Sabha Secretariat Recruitment :**
Educational Qualification :
For Warehouseman : Secondary School Certificate or Matriculation and Diploma in Printing Technology from any Institute approved by AICTE OR 5 years experience on cutting, stitching and perforating machines in a Printing Press.
For Junior Proof Reader : Bachelor’s degree in any discipline and Diploma in Printing Technology OR P.G. Diploma in Book Publishing from any Institute approved by AICTE OR 5 years experience as Copy Holder in English and Hindi in a Printing Press.
For Printer : Diploma in Printing Technology of 03 years duration recognized by All India Council for Technical Education (AICTE) OR Bachelor’s degree in any discipline from a recognised University with 03 years’ experience in hand composing in English & Hindi OR Intermediate (Class XII) from a recognized Board with 05 years’ experience in hand composing in English & Hindi.

Nationality : Indian
Age Limit : maximum age limit is 27 years As on 27.03.2017

**Job Location : Delhi**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Examination/Trade Test.

**Application Fee :** There is no Application fee.

**How to Apply Lok Sabha Secretariat Vacancy :** Interested candidates may apply in Prescribed application form along with self-attested copies of necessary certificates/document, copies of certificates/ documents send to The Joint Recruitment Cell Room No.521, Parliament House Annexe, New Delhi-110001 on or before 27.03.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Lok Sabha Secretariat recruitment Application form : 27.03.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement & Application form Link : http://164.100.47.193/JRCell/Module/Notice/advertisment%203_2017.pdf